মতম মতমগী ৱাফম


# দ কোইলস ওফ পাখঙবা

## মণিপুরী নাৎকী মশক্তা অইবা জোন পাররাটকী মীৎয়েং

**মণিপুরগী** মরমদা টি.সি.হদসন, মেক-ক্যুলোক, জেওফ্রি এভান্স-এন্টোনি ব্রেট, মিসেস গ্রিমউদ অমদি জে.সি. হিগ্গিন্সনচিংবশিংনা কলচরগী লমদা য়াম্না কূপ্না থিজিন হুমজিন্দুনা তম্পাক অমদি চীংগী পূন্সি অমদি নাৎকী মরমদা লাইরিক কয়া ইদুনা অঙনবা মতমদা ফোঙখ্রে। সাহেবশিংনা ঙন্না উখিবা, ঙন্না খনখিবা ৱাখলসি ঐখোয়গী মীওইশিংনা থেঙনা ৱাখল লাকই, কোন্না উরকই। ঐখোয়গী লৈজরিবা অরীবা রেকোর্ডশিং মখোয়দগী ফংঙি, মখোয়দগী খঙবা ঙম্মী। মসি চাউখৎপা হানখিবা এডুকেসনগী মঙাল মখোয়না হান্না ফংখিবননি। ঐখোয়গী ওইবা অঙনবা মতমদা চৎনরম্বা শাজৎ, পূন্সি মহীং, য়ূম্লৈ-কৈরৈ মখোয়না লমকোয়বা ওইনা লাকখিবা মতমদা থেংনখিবশিংগী ৱারী-ৱাখোং, মীশক মীওইশিং ফাওবা য়াওনা মখোয়না ফোটো নম্বীদুনা থম্বীরম্মী, রেকোর্দ তৌবীরম্মী। অদুম্বা কয়াদু ঙসি ঐখোয়না উজবা ফংলি। মখোয়দগী ঐখোয়না অমুক লৌদুনা ঙসি ঐখোয়গী তুংগী পুৱারীগী পরিং শেল্লি। সাহেবশিংগী ফজবা লোয়ননা মখোয়দগী ঐখোয়না তমজনিংঙাই ওইরিবসি- মখোয়না থেংনখিবা থৌদোকশিং, উহৌবা খূদিংমক অমুক ইথোক্তুনা ফোঙলকপা মতমদা হেঞ্জিন্না হাপচিন্দুনা ফোঙলক্তবা অসিনি। অচুম্বা ফাইন্দিংশিং অদুতমক তশেং তশেংনা থম্নবা হোৎনৈ। মখোয়দি মিৎনা উদ্রিবা মখৈ নানা তাদ্রিবা মখৈ চূম্মী হায়না লৌদে অদুনা মমিৎমক্লা উননবা, খঙননবা হোৎনরকপদা অশুকপা উমং-ৱামং, চীংগী মনুংহুৎনা খুন্দাবা মফম ফাওবা চঙশিন্দুনা থিরুবা ঙম্মী। নুমিৎ কয়ানি চূপ্পা লৈদুনা খঙননবা ফংননবা থিজিল্লবা মতুংদা অহিং কয়া তূমদনা ইবগী হৈনবী লৈ। ডাইরি নীংথিজনা ইশিন্দুনা থম্বগী চৎনবী মখোয়গী লৈ। মেচ্যুর ওইরবা এডল্টশিংখক্ত নত্তনা অঙাং অমা ফাওবা ইশিন্দুনা থম্বা, ডাইরি ইবগী হৈনবী, চৎনবী লৈ হায়বসি ঐখোয়না লাইরিক কয়াদগী খঙবা ঙম্মী। মালেমদা ফাওখিবা ঙসিসু শোন্নরিবা -এনি ফ্রেঙ্ককী **'ডাইরি ওফ এ য়ং গার্ল'** পনবা য়াই। মেগ কেবোটকী **'দ প্রিন্সেস ডাইরি'** (রোয়েল রেবেল) ফ্রাইডরিছকী **'মাই ওপোজিসন'** জি.গ্রোস্মিথকী **'ডাইরি ওফ এনিবোডি'** অমদি মেমোইর ওইনা ইখিবা ডব্লিয়ু প্লিমেনগী **'পিয়ানিষ্ট'** মমিং লৈখিবা কয়ানি। **'মাই থ্রি ইয়ারস ইন মণিপুর'** মিসেস গ্রিমউদনা ইরম্বা য়াম্না মরুওইরবা লাইরিক লৈরি।

থেংথরকপা মতমদসু সাহেবশিংনা থাপখ্রবা লৈপাক অমদগী পাক চাউখ্রবা সমুদ্র লান্দুনা, চীংলোন কয়া লান্না ঙসিসু মখোয়না পীকখ্রবা ঐখোয়গী লমদম অসিগী লৈজরিবা নাৎকী মশকশিংবু খোমজিন্দুনা ৱারেং কয়া ইদুনা ফোঙদোকপীরক্লি। মসিগী মমল অসি ঐখোয়না শিংবা ঙম্লরোইদবা অমনি। খুন্নাই অমা, মীওইবা কাঙলুপ অমগী নাৎকী মশক অসি ৱারী ওইনা তারগা তারিবা মীশক অদুনা য়ৌশিন্না খঙবা ঙমদে। লাইরিক ওইনা ইথোক্তুনা থমহৌরগদি থেঙবা ঙনবগী ৱা লৈত্রে। নোংমদি মদুগী মফম, কান্নবা হেক্তা ওইরকই। মতাং অসিদনি খোরিরোলগী কান্নবা কয়া অখঙ অহৈশিংনা পূথোক্তুনা নৈনবা হৌরক্লিবসি। অইবা লাইরিক ওইনা পুথোকপা হায়বা অসিদসু অমুক ইগদৌরিবা লোল অমদি ময়েক, মসিনা য়ৌগদৌরিবা মফম অসি অমুক য়েংবা হৌরকই। ঐখোয়গী মণিপুরী লোন, মৈতৈলোন অসি ঙসিদি অৱাংবা থাক্তা মফম অমা কনবা ঙমলে। ঐখোয়গী ওইবা ইননবা ময়েক লৈজরে, লাইরিক কয়া ফোঙলে অদুবু লোন অমদি ময়েক অসিবু খঙবা মীওই মশীং য়ামদবনা য়াম্না পাক শন্না ঐখোয়গী লোন অমদি ময়েক্লা ঐখোয়গী লৈজরিবা নাৎপু মশক তাকপা ঙম্বা ৱারেং শৈরেংগী লাইরিক কয়াদি মীরমদা অমদি মীতোপ্তা খঙহনবা ঙমদনা লৈরি। পাকশন্না ঐখোয়গী লোন অমদি নাৎকী মশক অসি তাকপা তারবদি মীতোপ্পা অমদি মীরম্না খঙবা ঙম্নবা, পাবা য়ানবা নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী ওইবা লোলশিংদা লাইরিক মখল, মশীং য়াম্না ফোঙদোকপা চঙলি। ঐখোয়গী মীশিংনা নাৎকা মরী লৈনবা ৱারেং শৈরেং খরদি ইংরাজি অমদি হিন্দিদা হন্দোক্তুনা ফোঙদোকপা লৈরে। অসি নত্তনা য়াম্না পাক চাউনা ঐখোয়গী নাৎকী মচাক য়াওবা ইংরাজি অমদি হিন্দিদা লাইরিক পুথোকপা ঙমদ্রি। লাইবক ফবা হায়বা তারে চহী খরা অসিদা সাহেবতা ওংখিবী মৈতৈ নিংঙোল নলিনী অরাম্বম পাররাটনা মপাম লমদমগী মরুওইবা ৱারেংশিং লাইরিক ওইনা ইংরাজিদা ইদুনা ফোংদোকলকপা অসিনা মালেমগী মীওইশিংদা পাবা ফংহন্দুনা লমদমসিগী নাৎকী মশকশিংবু তাক্লি। হেন্না থাগৎনিংলিবদি নল্লিনীবু শৌগৎপীরিবা অমদি মতেং পাংলিবা মপুরোইবা জোন পাররাটনি। জোন পাররাট, ব্রিমিংহাম য়ুনিভর্সিটিদা, স্কুল ওফ হিস্ট্রিকেল ষ্টডিজ য়ু.কেগী প্রোফেসর ওইরম্মী। মশামক কলচর, রিলিজন অমদি পোলিটিক্সকী লমদা নৈনরিবা মশক নাইবা অইবনি। মহাক্লা নলিনীনা পায়খৎলিবা মণিপুরগী কলচরগা মরি লৈনবা লাইরিকশিং ফোঙনবা হোৎনবদা মতেং চাউনা পাংবতা নত্তনা মখোয় অনী পূন্না চঙশিনমিন্নদুনা ফোঙখিবা লাইরিক **'হিষ্ট্রি এন্দ কলচর ওফ মণিপুর' 'ক্বিন এম্প্রেস ভর্সেস চিকেন্দ্রজিৎ, দ এংগ্লো মণিপুরী কনফ্লিক্ট ওফ ১৮৯১', অমদি 'দ প্লিজিং ওফ গোদস, মৈতৈ লাই হরাওবা'** হায়রিবা লাইরিকশিং অসি ফোঙদুনা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাক্লিবা ইমুং অমত্তগী তাঙলবা অইবা অইবীনি।

শাগৈ জাৎসু মান্নদবা, হৌরকফম শাৎফমসু তিন্নদবা অদুবু মীওইবগী মীনুংশি, নুংশিবা হায়বা অদুগী লিপূন্না অমত্তা ওইনা কিশি কিখিবদগী অইবা অইবা অনীনা অমনা অমগী মতেং পাংনরিবা, চৎমিন্নরিবা খোঙচৎ অসি কয়াদা মমল য়াল্লিবনো। কায়নবা হায়বা অসিনা ঐখোয়গী তুং কোইনইন্নদুনা লৈরম্বনা অসুক নুংশিননা চৎমিন্নরিবা অনীগী মরক্তা মৈতৈ চনু শক্লাইখিবী অইবী নলিনী পাররাট অরাম্বম খঙহৌদনা ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদা তেঙবানবা থাদোকখ্রবনি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা মরৈবাক মরমদম, পোক্লফম লমদম মণিপুরগী নাৎকী ওইবা লোইনাইদ্রবা ৱারেং কয়া মখা তানা ইনবগীদমক খোমজিনজরম্বশিংবু তাইবংদা লৈহৌরিবা অহল ওইরবা মপুরোইবা জোন পাররাতনা মাঙহন্দনা মথং মথং ইদুনা ফোঙদোক্লবা হোৎনরি। হন্দক্তা ২০১৭দা **'দ কোইলস ওফ পাখঙবা'** কৌবা লাইরিক অমা ফোঙদুনা ইম্ফালগী থঙ্গাল বজারদা লৈবা জাইন বুক সোপতা ফংহল্লি। **'জাইন বুক সোপ'** হায়রিবা অসি লমদমসিদা য়াম্না কুইরবা মতমদগী 'পি সি জাইন' হায়না খঙনবা লাইরিক অমদি মপানগী চেফোংশিং য়োনফম ওইরকপা থঙ্গাল বজারদা লৈবা অদুনি। লমদমসিগী মীয়াম্না পি সি জাইন খঙদবা লৈতে। মমল য়াম্লবা ফংবদা ৱারবা লাইরিক কয়া, টেক্সবুক, কোমিক বুক, মেগজিন, নিউজ পেপরশিং জাইন বুক সোপ অসিনা ঙল্লিঙৈদগী ফংহন্দুনা লাক্লি। ইম্ফালদা মপানগী লাইরিকশিং অমদি ইংলিস পেপরশিং পুশিন্দুনা য়োল্লকপশিংগী মনুংদা পি সি জাইন অসি খুৎমাবা অমনি। মণিপুরগী স্কোলারশিং, অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনবদা লাইরিক-লাইশু ফংহন্দুনা মীয়ামগী মতেং চাউনা পাংলিবা জাইন বুক সোপ অমনি হায়বসিসু মতাং অসিদা পলহৌদবা য়াদ্রি। ঙসিসু লেপ্তুনা মপাল লমদা ফোঙবা, মণিপুরগী মরমদা ইবা লাইরিকশিং জাইন বুক সোপ্তা ফংহল্লি।




**'দ কোইলস ওফ পাখঙবা'**, লাইরিক অসিদা তাঙ্কক অহুমথোক্লা খায়দোক্লগা লমদমসিগী মীওইশিং, লৈফম, য়েক সল্লাই, লাইনিং-লাইশোল, থাজনবী, য়ূমলৈ-কৈরৈ, য়ূমলোন্নবা মপাল লৈবাক্তা লৈনবা মরী, চীনবুংদগীনা অইবা ওইনা লৈরিবা পুয়া লাইরিক, শীজিন্নরিবা লাইশোন-তিনশোন, খুন্নাইসিগী হান্না চৎনরম্বা মশক্তগী হোংলক্লিবা মশকশিং, মৈতৈ ফুরুপ অসিগী লৈজরিবা নাৎকী ওইবা মশক্তা মপালগী অতোপ্পা শাফু চঙলকখিদুনা হিন্দু ওল্লকখিবা কয়া ফাওবা য়াওনা নৈনরি। ৱারেং খুদিংমক্তা য়াম্না শাংনা ইদ্রগসু মরুওইবা খরদদি কুপথনা নৈনৈ। অইবনা মৈতৈগী খুন্নাইদা অরীবা মতমদা চৎনরম্বা অমদি চৎন্দুনা লাকপা ফিদম্ন ফম ওইবা মশক কয়া অদুগী মরুওইবা মমল অদু মহাক্কী ওইবা মিৎয়েদা পূক্লিং চিংশিল্লি। মৈতৈ খুন্নাইদা হান্না লৈরম্বা মশক্তগী হিন্দুগী লাইমিং লৌরুরবা মতুংদা হোংলকখিবশিং অসিদসু কুপথনা য়েংবা উই। লাইরিক অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা য়াওরিবা লাইরিক অসিমক্কী মিংথোলসু ওইরিবা **'পাখঙবা অমদি মহাক্কী মথেকশিং'** (পাফল)গী মতাংসি য়াম্না মরুওই। অইবশিং- মেক ক্যুলোক অমদি হদসন অনীগী মিৎয়েংদা থমখিবা পাখঙবগী মতাং অমদি অইবা পাররাটনা লৌরিবা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং অসি মখা তানা ঐখোয়গী অখঙ-অহৈশিংনা অমুক কূপ্না নৈনবা চঙলি। মণিপুরী মৈতৈশিংগী নাৎকী মশক্তা পাখঙবগী মশক অমদি মিংথোল য়াম্মী। 'পাখঙবা' কনানো? ঐখোয়গী লৈশেমলোন, মৈহৌরোলগা লৈনরিবা মরীশিং হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা লমদমসিগী মীওই খুদিংমক্লা খঙননবা অইবা অসিনা কিশি থোকপীরি। মখা তানা থিজিনবদি ঐখোয়গী ইথৌনি। জোন পাররাটনা মহাক্কী লোইনবী ওইরম্বী নলিনী পাররাটনা পামজরম্বা, মহাক্লা মরমদমগীদমক হোৎনজরম্বা মণিপুরী কলচরগী মশকশিং অদু মখা তানা মতম শাংনা থিজিন হুমজিল্লবা মতুংদা লাইরিক অসি জোন পাররাটনা পুথোকপীরকপগীদমক ঐখোয়না তৌবিমল খঙবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচনিংই। অইবী অরাম্বম নিংঙোল নলিনী পাররাটনা লৈখিদ্রগসু অইবা জোন পররাটনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগা মরী তৎনদবগী লংলা অমা মহাক্কী লাইরিকশিংনা শন্বীরি। সহাজহান্না মমতাজমহলগীদমক তাজমহল শাখিবনি। জোন পররাটসু অদু মঙাই। মৈতৈ চনু নলিনীবু নুংশিবীবা, লমদম অসিগী মীয়াম্বু নুংশিবীবা অমদি মণিপুর হায়রিবা অপীকপা লমদম অসিবু মশক খঙবীবদগী মহাক্লা মণিপুরগী মরমদা মমল য়াম্নবা লাইরিকশিং ইবীদুনা নুংশিবগী খুদোল তন্বীরি। মীওইবগী তৎনদবা মরী অসিদি নুংশিবনা পুরকই। ঐখোয় মশেলনা নুংশিনরিবা মখৈ চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাঙ চাওশিনবসু ঙমগদৌরিবনি। লাইরিক অসি ওইনবা হোৎনরকপদা অইবনা মতেং পাংবীখিবা মণিপুরগী মশকনাইবা মীওই খরগী মফমদা হৌনবা খঙবসু উৎপীরি। মণিপুরী মৈতৈশিংনা খঙজরকপা চৎনরিবা, থাজনরিবা কয়া লাইরিক অসিদা ইদুনা ঐখোয়খক্তা খঙবা নত্তনা মালেম থুংনা খঙহন্নবা, ফংহন্নবগী পান্দম থল্লিবা পল্লিসর অমদি অইবা অনীমক্তা মখা তানা লমদমসিগী ৱারেং কয়া ফোঙলক্লবগী থাজবা থমজরি। জাইন বুক সোপ, থঙ্গাল বজারদা লৈবগী মফমদসু থাগৎপা ফোংদোকচরি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# খোই মহুম

**তামো** ইবোতোম্বী ফাগী য়াম্না হৈ। মাগী মতৌ ইমান মান্দবা ফাগীনা মীপূম খুদিং নোকহনবা ঙম্মী। তৌবতবু মহাকসি ফাগী তৌ হায়রদি মরোল অমতা থোক্তে। মাগী হায়বু করিগুম্বা তঞ্জাদা ময়াম তিন্নবদা মানা তাখৈ তাশিল্লগা হায়দোরকপা ৱাসিদি নোক্তবা ঙম্বজাৎ নত্তে। ওম্হোক্লা রাসি য়াওখ্রবা তামো ইবোতোম্বীনি।

নোংমসু লৈকায়গী ক্লবতা অরুবা ৱা অমা কন্না খন্নরিঙৈ, ময়াম্না কোক-কোক চুংশিন্নদুনা লৈকায়দা লৈবা মচা লৈবা হনু লমচা অমনা নুপী মচা অমদা কারন তারুবগী তাম্হোক্কনি তাম্হোক্লোই কন্না য়েৎনরিঙৈ তাঞ্জাদুদা তামো ইবোতোম্বীনা ৱা অমা হায়রকপদু ময়াম ৱা লাউনা নোকই। ময়ামদুনা তাম্হোক্কদবনি, লৈকায়দগী শিংলুপ্তুগী মমিং কক্কদবনি। মানা তৌরিসি লৈকায় চেন্থবনি য়াম কন্না ঙাঙনরিঙৈ তাঞ্জাদুদা তামো ইবোতোম্বীনা ফুক হৌগৎলগা ময়ামদা ঐ ৱা অমত্তা হায়জগে হায়রগা,

"পুম্নমকসি মোবাইল ফোন হায়দুনা তৌরিনি, ফোন কম্পেনিদা তাইনসিরা, সিম কার্ড ইস্যু তৌরিবা এজেন্টশিংদা তাইনফম থোকইব্রা, সিসু খন্নবা ফৈ, মী অমত্তদা তাইনবগী মহুত্তা ব্যুজিনেস অমা ওইনা চথরক্লিবা কাঙবুসি কনা কনানো থিদোকপা ফৈ। ঐখোয়গী পুপু হনুবদুসু নহান নোংমা মোবাইল ফোন অমা পায়রগা নুপীমচাশিংগী ফোটো য়েংলগা ময়া অতেকপদু হিগৎতুনা লৈরম্মী। ঐনা খনবদা পুপুদু বসন্তগী য়েন্নিং হুল্লকপা মাল্লি, মাসু কারন তারক্লদি লৈকায়দগী তাম্হোকপা তাৱা?"

ময়াম ৱা লাউনা নোক্লগা ৱারেপ অমত্তা লৌদনা লোইশিনখি। তামো ইবোতোম্বীদু নহানদি করি খল্লুরবনো খঙদে, নোংমতা শাওদবা মানা শাওগন্দবী ইতৈমেগা মবানি অয়ূক্তা লান মচা অমা শোক্লন্দনা লৈরম্মী। কৈসু লৈবা ৱাহৌ ওইরমদে, চা চিনি য়াম থাকপা থাক্তবগী মতাংদা ওইরম্মী। ঐসু তাঞ্জাদুদা তামোদা কৈনোমতা হংগে হায়না থোক চঙলুবনি। অদুগদি লানগী ক্লাইমেক্স চপ চানা থেংনরুরে। ঐ তৌফম খঙদনা চঙক্লনা ঙাইহাক লেপ্পী চুরি তাফমদা, ঐ লাকই খোৎলি মখোয় অনী অমত্তা উনদে। ৱাহৌ খিতং তাহৌবা হায়বু তামো ইবোতোম্বীনা,

"চাসিদি মীগী নত্তে, ককচেংগী চানি, সিবু লোনি হায়না লোল্লিবসিসু ককচেংগী ৱাখল চেনবা মী শোয়দনা ওইরমগনি"

"অঙাংগী চৎনবনে কৈনে তৌবদা চিনিদু অনীরক থাকখ্রমাল্লে"

"থবক তৌবদা চেকশিন্দবসি মীগী ৱাখল হোংলবনা তৌগদবনি"

"থকওই হায়রগা তোকও, ফৈরেং তুরেং ঙাঙলনু, কদাই কপ্পু পীরকউ, হৈদোকখিগে"

"ঐবু অঙাং মচারো, ঐনা থকপা হৌরুরবা চাসিবু, নঙনা হেক্তা হৈদোক্কে হায়দি, ঐসি উশিৎতদনা হায়রি নৎত্রা?

"কাইদৈ ৱানো অদুনা অমুক"

"থম্মোয়গী ৱানি"

"থম্মোয়দো চাওথোকও"

"থম্মোয় চাওরগা নাও চাওনবনিনা চাওজদ্রবদো, সিবু কমাই থকতুইনো?"

"থকওই হায়রদি হৈদোকখ্রগে পীরকও হায়রসু য়াদে, সুম হন-হন্দনা ঙাঙইসি কৈগীনো?"

ইতৈমনা চাদু থোক মুল্লগা মানা গুৎ থকচিল্লি, মমিৎ লাউথোক্তুনা য়েংলগা,

"সি কাইদা থুম্মীনো, চপ চারিসিদি। নঙগীসি ঐ পান্মক্তবদগী ইরাল থিরি নৎত্রা, ঐনা নঙ চিংনবা কুইরবনি, কৈনোমা ইতৌ তৌই হায়না, খঙঙে নগুন, ঐ চৎখ্রগা ননীং থুংঙনিদনা, ফৈ ফৈ ঐ চৎকেকো, অদুগনে ঐদি লান্দি লান্দবনি" অকোনবগী ইতৈমগী ৱাদু মখোয় নিকই, ইমোসনেল খরা ওইবা মাল্লি। ইতৈমা শাওনা ইমুংদা গ্রোং-গ্রোং চঙখ্রে।

ঐনা চঙশিল্লগা তামো হায়না কৌরুই। তামো ইবোতোম্বীদু ঐ উবদা খরদি ইকায়বা মাল্লি, অদুবু ইংথরগা হায়রকই,

"অশ! লোইরেহে ইবো, ফাগী তৌগেনা তৌরুবু, কুম্মৈ তারে তৌরিসে"

"তামোগীদু ফাগীরো?"

"থায়না লৈশা-পাখঙ ওইরিঙৈদা ওইনখিবা ময়ামদু নীংশিংলগা লক্লগে হায়না ৱাথি ঙাঙলুবনি, খোই মহুমদা চৈনা থিনবগা মান্নখ্রে, নঙ অমক্তা নতৈমসে খাম্মুচো, লোইনা ফরক তানা তারে, মবুং কোই লৈখৎপদুনা লাক্লগা ঐবু শোয়দনা তোৎখ্রনি"। হায়নরিঙৈদা ইতৈমদু সেন্দল অমগা ফৎ-ফৎ থোরকই, মপাম চৎপগী ফীভমনি। তামো ইবোতোম্বীনা খাম্মী।

"ঙাইখোনে"

"খামনু, নঙনা শানবা য়াবা নত্তে ঐ, নতু অমা কোইরগা, ঐবু মীরায়বা য়ারোই, ঐগীসু ইবুং লৈ, ইপা লৈ, কৈদৌগে য়েংঙু নঙ, নঙ নুংঙাইনি"

তামো ইবোতোম্বীদু নুংশা থিবা হেনগৎলি, ঐঙোন্দা ইঙ্গিৎ তৌদুনা খাম্নবা মঙক ইল্লকই। মতমদুদা ইতৈমদি থোঙ্গাল য়ৌখিদৌরে। ঐসু চেম্হোল্লগা ইতৈমা খাম্নবা তান্নে। তামো ইবোতোম্বীনা শোলহৌবদু তাই, 'অশ! ফাগী হায়সিদি ফাগী তৌ য়াজাৎ নত্তেনা সিদি, ফাগী তৌব্রা হায়বু খোই মহুমদা চৈনা থিল্লুবগা চপ মান্নরেদনা"

ঐনা ইতৈমদা অশেংবদু হায়রগা খাম্মগা নমদনা ইমুংদা পুশিল্লকই।

অনীদু শুমাং ময়ায় ৱায়দা থেংনৈ, ৱাদি ঙাঙনদে, ইতৈমদু ইমুংলোমদা ফৎ চঙখি। তামোনা শ্বর অমা শাংনা হোন্দোকহৌই।

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

# ফাদোক অমসুং মরৈবাক

*(হান্নগী মখা চখজরকপা...)*

- **ঐদি** শিরমদাইগী নুংঙাইনবা লম্বী থিদে। পুন্সিগীদমক্তি শেল-থুম, লাইরিক-লাইশুখক্তনা মরু ওইদে। নুপী পোকপা মমা-মপা অমত্তা পৎ-পুমদুনা লৈরম্মী হায়বদি তাদ্রিদনা। ইপুরোইবনা ঐবু লুনা চান্না তৌবী। কৈদৌঙৈদসু ঐগী নুংঙাইতনবা মরমসু মানা পীখিদ্রি।

- অদুগবু করিগী ৱারুনি। খল্লুনু, লায়থোক্লা লেনবসু ফৈ।

ঐদি হকচিন্না লৌখিদনবা চম্না হায়রুবনি। মাদি তাদ্রবগুম্না মখা তারকই,

- য়েংঙদনা ঐগী নাসিকাসে! খুদাংদা অঙাংবা খুজি, লাইবক্তা শিন্দুর, খোঙদনা মচু ফজরবা আমপাকা তৈরি। মসি পূম্বা অচৌবা জেল অমগী ফাদোক্কী শক্তম নত্তবরা? মদুসু হকচাংসিনা তাঙ্গোয় ওনদ্রিফাওনি।

ঐনা অসিদং হায়খি,

- নঙখক্কী শরুক্লনে, লাই হাক্তক্কী ওইনা চৎনরক্লবনি। অদুক ফবা নপুরোইবদুমদি নঙগী অশেংবা নরলনি।

- মানি, মফমসিদা অৱাৎপা লৈতে। ইবুরোইবা, ইচা, মরুপ-মপাং লোইনমক লৈ। কৈরোয় লৈকায়সু লৈ। তুরেলসু চেল্লি, চীংসু লৈ। অশংবা গেহুগী লৌবুক, মপান নাইদ্রবা লম্মাং লোইনমক লৈ। মফমসিদা লৈতবদি ঈরৈবাকখক্তনি। লোন তিন্নদবা, চিঞ্জাক মান্নদবা, শক-চু খেন্নবা ময়ামসিগী মরক্তনি ঐনা হিংলিবনা।

হন্দক্তি ঐ থাঙ্গৈশেংনমক কপ্লে। ঈরৈবাকপু নুংশিবা ঐ খঙই। পান্মুবসু খঙই। পুম্নমক লোৎশিনবা শানা হায়খি,

- নঙগী মিংবু খঙদ্রিনে। ঙসিদগী ইবানি মরুপনি। মিংদুদি খঙখিগে।

- মুনি। ইধৌনা থোনবীরম্বনি। ঐগী লৈফম ইরগা পুখো। চিঠি থারকউ। ঐদি ময়েক তপ্নবফাওবদি তল্লকপনি। হৌজিক লোইনা কাউখ্রে। নঙ ইয়ু, ঐ হায়রক্কে। চিংনবা অমদি... ঐখোয় লৈফমসি হোংলসিরা খন্নরি।

কলম অমগা চেগা পুথোরকই। মানা হায়রগা ঐনা ইরে। চেকশিন্না ঐগী বেগতা হাপচিল্লে। হায়রকই,

- হেক য়ৌবগা ইরকউকো। ঐদি নুমিৎ মশীং থীদুনা ঙাইদৌরিনি।

- শোয়দনা ইরক্কনি। চৎলমদাইদা অমুক লাকখিগে।

থাজবা পীরম্মী। ৱাশক্তেদা খাকই। অমুক লাকখো হন্না হন্না হায়হৌই। খনবতা মঙায়খি, চঙলম্বা ঙমখিদে। মরিনিগী অয়ূক্তা চৎকদবনি হায়বদুনা হুম্নিগী নুমিদাং অথেংবদা থৌদোরকখি। চিন্তা অমদি ঐ পুবদা তাখি। হরিদ্বার য়ৌরকপদা চিনদি থোক্তনা ঐনা খুরুমখি- ইমা শক্লবী গঙ্গা! মুনিগী অৱা-অনা পূম্বা নঙগী ঈরৈনা চেন্দুনা পুবিখোকো!

য়ূম য়ৌরগা চিঠি ইখি। ঐগী এদ্রেস ইরগা হাপখি। পাউখুম হল্লক্ত্রে। অমুক হন্না ইখি মদুদসু হল্লকখিদ্রে। হৌজিক্তদা নীংশিংলকই - মহাক লৈফম হোংবগী ৱা হায়হৌবদো। টেলিগ্রাম তৌখি, মদুদসু ফংবগী সহি য়াওদনা হল্লকখি।

ইকুই কুইদনা ঐ লুহোংলে। লীপুন অমা পূনশিনবা হৌরক্লে। ইচাগী, ইপুরোইবগী, ইনেম-ইকুগী, ইমুং-মনুংগী থৌগলদা শাংলবা মতম হৌখ্রে। ইরৈবাক্কী ইজাত্তিগী মনুংদা হিংলিঙৈ থাপ্লবা মীরমদা মীরোল লোন্দুনা হিংহৈবী মুনিবু ঐনা করম্না কাউগনি। কাউফমসু থোক্তে। করিগীনো তেনখ্রবা মতমদা থেংনখিবা মুনিগী মফমদা অসুক চাউনা ইফমদা কল্লরিবা। লৈ অমগী মগুণদি লৈশক অদুতা নত্তনা লৈনমসু য়াওই হায়নবদো ঐনা নীংশিংলকখি।

চহীগী নিংঙোল চাক্টোবদা খরা ঙনলপ চৎকে খনবদুনা থেঙলপ চৎলে। হেক য়ৌবগা তাচৌগী মচানুপী ময়া শিনবদা ঙায়রিবীদুদা ঐনা হংখি,

- অবেম, নেনেগী লাইরিক অমনবা হাপ্পা উপুদদি?

- মামানা ঐখোয়'দোমচাদা ৱাই চিল্লেদনা পীখ্রবনি।

- লাইরিক্লা চে ময়ামদুমগসু...?

- লাইরিক্তি খঙদে। চে ফত্তবদি মমানা ইবোক মাইনুগী হোটেলদা পীথোকখিবনি। নেনে, মমাদা হংগে।

- হংলুরনু।

... ময়াম ইশানা পুবা ঙম্বা পোৎ অমমম ইশাগা শাগোন্নরগা কুমথবীরো। রাধাকুণ্ড য়ৌরে। ময়াম ফুক-ফুক হৌগৎনরকই। ইচানুপানা এয়রবেগ অচৌবদু মরেংবান্দা য়ান্দুনা মাঙ থাখ্রে। হায়রম্মী,

- ইমা, তপ্না কুল্লকউ। ঐ মখাদা ঙাইগে।

ইবুক্তা খল্লি- য়ৌবদি য়ৌরেদনা। তয়াং-তশোয়বগুমসু তৌরকই। অহিংদুমদি তঙায়ফন্দনা পোখারে। নোং হেক ঙানবগা ইমা-ইচামক থৌরাং লোইশিল্লে। মচিন য়াওবী খরনা হায়হৌই, নমা-নচা পরিক্রমা নংলোইকো।

থায়নগী ঐনা খঙবা লম্বীদুদা চৎলি। চহী কুম্ভগী মমাঙগী ৱারীনা ইমিগুম্না কোয়ইন ইন্নরক্লি। ইচিক চিক্লা লৈহৌবা লম্বী মপানশিং অহল-অঙাং ময়াম অমনা চরীক-নুংলিক য়োন্দুনা ফনা শাংনা ফল্লন্লি। দুকান পরেং পরেংনা নাক-য়েৎ পীক থল্লম্লে। মপা অমা লাকশিল্লগা ঐনা মাঙ থানা চঙই। খোঙ পাক থাংজিনবা ঙমদে। ইতৌদুদা ইচানুপানা হংলকই,

- নৎত্রবরা ইমা?

- মানি, মসিদনি।

শুমাঙ মচা অমা লৈহৌবদো অহাঙবা মচেৎ অমত্তা লৈত্রবগুম্মি। টেবল চৌক্রি অতেক-অকায় পীক থল্লি। মন্দিরদুদি লৈরম্লি। শিড়ি থাকশিংদু মচু মচুগী রং কৌটা অহাঙবশিংনা কৃক-কৃক ইন্না লৈ। সড়িক মখোঙ অনীমদি লেঙলমদরি অদুবু পিথ্রাইগী সড়িক অচৌবদুদি য়াম্থরমদ্রে। শঙ্গোন লৈবা মফমদুসু চারপাই অতেকপা অমা অনী লোনখৎতুনা লৈ। মকলাপ শাংবী ষণবী অনীদুগা ষণনাও মচাদুগা মীত্তা শং-শং উরকপগুম তৌই।

-মথং-মথং

*- হুইরোংবম বেনুবালা*